# হীদাক কানরবা পাম্বীশিং ঃ উইল # ৩১৭

**— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —**

**সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিটুট্যট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ**

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা অদুমক মরাং কায়না হৌবা হীদাক্কী মগুণশিং থোইদোক্লা শীংথানীংঙাই ওইনা য়াওবা উজাওশিংগী মনুংদা উইল অসিসু অমনি। উইল পাম্বী অসি ইংলিসতা ব্লেক সিরিশ (Black Siris) নৎত্রগা সিলোন রোজৱুদ (Ceylon Rosewood) নৎত্রগা ফ্রেগ্রেন্ট এলবিজিয়া (Fragrant Albizia) নৎত্রগা টি সেদ ত্রী (Tea shade Tree), অসামিজদা কোরোই (Koroi), বেঙ্গলিদা কাকুর সিরিস (Kakur Siris), গারোদা খেলবী (Khelbi), গুজরাতিদা কালো সিরিস (Kalo Sirish), হিন্দিদা কালা সিরিস (Kala Siris), খাসিদা দেঙ ক্রাইট (Dieng Krait), মিজোদা থিঙ্গরি (Thing-gri), নেপালিদা কালো শীরিশ (Kalo Shrish), সংস্কৃটতা শীরিশা (Shirisha), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *এলবিজিয়া ওদোরেটিসিমা (Albizia Odoratissima Benth.)* নৎত্রগা *এলবিজিয়া মাইকেন্থা (Albizia Micantha Bovin)* নৎত্রগা *এলবিজিয়া মাইক্রান্থা* Albizia Micrantha B. *Bovin)*নৎত্রগা *একাসিয়া ওদোরেটিসিমা (Acacia Odoratissima (L. F.) Willd.)* নৎত্রগা *মাইমোসা ওদোরেটিসিমা (Mimosa Odoratissima L.F.)* হায়না কৌই অমসুং মাইমোজেসী (Mimosaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি : খোক পাম্বী - সিরিস ত্রী (এলবিজিয়া লেবেক), ঈশিং ইকায়থবী পাম্বী, ৱাটর সেন্সিটিভ প্লান্ট (নেপ্তুনিয়া ওলরেসিয়া), লম-ইকায়থবী পাম্বী - সেন্সিটিভ প্লান্ট (মাইমোস প্যুদিকা), য়োংচাক পাম্বী - ত্রী বিন (পার্কিয়া রেক্সবর্গাই), চিগোংলৈ পাম্বী - বাবুল ত্রী (একাসিয়া নিলোতিকা) অসিনচিংবা পনবা য়াই।

উইন হায়নসু খঙনবা উইল পাম্বী অসি ফুট ৮০ ফাওবা ৱাংবা, মতোন্দা মনা য়াম্না পুঙবা উজাও পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি দেসিদুঅস হায়বদি চহী অমগী মনুংদা নীংথমথাগী মতমদা মনা কেনগনবা, মতোন্দা মসা য়াম্না লোঙবা অদুগা মনাশিং অদু কম্পাউন্দ হায়বদি মতুম তারপ্পা শাংতক তৌবা মনা মচাশিং অশাংবা মখোক অমগী নাকল অনীমক্তা কুণ্ডনা পানবা উজাওনি। উ অসিগী মখোক অদু সেন্টিমিটর ১২০দগী ১৫০ ফাওবা চাওই। পাম্বী অসিগী লৈশিং অদু অঙৌবদা হঙ্গাম মপাল চঙলপ তৌনা মনম য়াম্না চেল্লি অদুগা লৈ ১০দগী ১৫ রোম লৈ মকোক অমদা পুন্না শাৎপদু মতুম তানা উই। উইল পাম্বীগী মহৈ অদু চিগোংলৈ পাম্বীগী মহৈ মাল্লি অমসুং সেন্টিমিটর ১৩দগী ৩০ ফাওবা শাংই অদুগা সেন্টিমিটর ২.৫দগী ৩.৫ ফাওবা পাকই অমসুং মদুগী মনুংদা মরূ ৮দগী ১৪ ফাওবা পাল্লি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না উইল পাম্বী অসি খা থংবা চাইনা, ম্যান্মার অমদি ইন্দিয়া অমসুং মসিগী মনাক নকপা মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। পাম্বী অসি পুদুনা থাখিবদগী ঙসিদি নোংপোক থংবা অফ্রিকাগী মফমশিংদা য়াম্না মপূং ফানা হৌখ্রে। ভুতান, বাংলাদেশ, নেপাল, লাওস, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম, শ্রীলঙ্কাদা উইল পাম্বী অসি মহৌশাগী ওইনা য়াম্না মরাং কায়না হৌই। সিলোন (Ceylon) হায়নসু খঙনবা শ্রীলঙ্কাদা উইল পাম্বী অসি থোইদোক-হেন্দোক্লা মরাং কায়না হৌবদগী পাম্বী অসিবু সিলোন রোজৱুদ হায়না কৌনবগী মরম অমনি। পাম্বী অসি য়াম্না শাবা ত্রোপিকেলগী মফমদগীনা খরা ঈংতক তৌবা টেম্পরেটকী মফমশিংদা মপূং ফানা হৌবা ঙম্মী। অমেরিকাগী ময়ায় থংবা শরুকশিংদা ঙসিদি পাম্বী অসি মপূং ফানা হৌবগী পাউদমসু লৈ। অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা মণিপুর, অসাম, ত্রিপুরা অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা উইল পাম্বী অসি অদুমক মরাং কায়না হৌই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি উইল পাম্বী অসি অনেম্বা চীং, চীংখোঙ-চীংয়া অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা হৌই। ইন্দিয়াগী মনুংদা উইল পাম্বী মরাং কায়না হৌবা মফমশিংদি উত্তর প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, ওদিষা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, কর্ণাটকা, টামিল নাদু অমসুং অন্ধ্র প্রদেশনি। মণিপুরদদি পাম্বী অসি ইঙ্খোলদা থানৈ।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না উইল পাম্বীগী মনাদা য়াওবা মরু ওইবা ফাইটোকেমিকেলশিং অদুদি কার্বোহাইদ্রেট, প্রোটিন, এমিনো এসিদ, ষ্টিরোইদ, ফিনোলিক কম্পাউন্দশিংনি। উইল পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। অসামদদি উইল পাম্বী অসি চা পাম্বীগা পূন্না থামিন্নৈ। মরমদি পাম্বী অসি অতৈ পাম্বী অয়াম্বনা ঙমদবা নুংশিত্তা য়াওরিবা নাইট্রোজেন অদু চুপশিল্লগা হার ওন্থোক্তুনা অকোয়বদা হৌরিবা চা পাম্বীশিং অদুদা ফংহন্দুনা চা পাম্বীশিং অদু মপূং ফানা অমদি থুনা চাওহনবদা মতেং পাংই। মদুগী মথক্তা নীংথমথাগী মতমদা কেনবা মনাশিং অদু থুনা পথ-পুমথবা ঙম্বা মরম্না লৈবাক-লৈশা অদু ফগৎহনবগী মথক্তা লৈহাওসু য়াম্না ফগৎহনবদা মতেং পাংই।

মরম অসিনা লৈবাক লৈহাও ইচেন চেন্দ্রবা অমদি উ-ৱা অমদি মনা-মশিং নীংথিজনা হৌবা ঙমদ্রবা মফমশিংদা উইল পাম্বী অসি থাদুনা অথুবা মতমদা উমং শেমগৎপা ঙম্মী। পাউদম অমগী মতুংইন্না উইল পাম্বীগী মনা কেজি ৬৫৫দগী নাইট্রোজেন হার অসি কেজি ১৬ লোম ফংবা ঙম্মী। উইল পাম্বী অসিনা চা পাম্বীদা তাগনবা রেদ স্পাইদর মাইটস (Red Spider Mites) অমসুং স্কার্লেট মাইটস (Scarlet Mites) শিং ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। কর্ণাটকাদদি উইল পাম্বী অসি কোফি পাম্বীগা পূন্না থামিন্নৈ। উইল পাম্বীগী উগী মকুদগী মচু অমসু শেম্নৈ। উইল পাম্বীগী উ অসি থোইদোক্লা মগুণ লৈ অমসুং তিক (Teak) পাম্বীদগী চাদা ২০দগী ৪০ ফাওবা কনবা হেল্লি হায়না পাউদম্লি। উ অসি উপু-কাংথোল, থোঙ-থোঙনাও, য়ুম-কৈ শাবা অমদি মখল কয়াগী উগী পোৎথোকশিং শাবদা শীজিন্নৈ।

ইন্দিয়াগী অরিবা অনা লায়েং পথাপ্তা উইল পাম্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। আর্থ্রাইটিস হায়না খঙনবা তাং চাওথোক্তুনা চিকপা-নাবা, খোঙ হামথবা, হরা-কংখু তৌবা অমদি মৈনা পোকপদা উইল পাম্বীগী মনা অদু লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। উনশাগী লায়না মখল কয়াদা উইল পাম্বীগী মনা অদু তকখায়রগা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈবদা য়াম্না কানহল্লি। নাতোন মহী চেনবা অমসুং সেপসিস (Sepsis) হায়না খঙনবা মীওইবগী ঈ নৎত্রগা টিস্যুদা মহীক্লা থোকহনবা লায়নাশিং অসিসু উইল পাম্বীগী মনা অদুনা শেম্বা হীদাক অদুনা মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। লেপ্রোসি (Leprosy) হায়রিবা লায়না অসিদসু উইল পাম্বীগী মনা অদুনা লায়েংনৈ। উইল পাম্বীগী মনা অদু ঘিদা ঙৌরগা পীজদুনা লোক-লাইহৌ তৌবা অদু লায়েংনৈ হায়না পাউদম্লি। থিবোং-থিরিলদা তীল লৈবদা উইল মনাগী হীদাক অদুনা লায়েংনৈ। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## অনৌবা মণিপুর অমগীদমক ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেসতা ভোট পীবিয়ু : কেন্নেদি

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):

মীয়ামগী অৱাবা উবীদনা য়েংলগা লৈবা ঙম্বা, লৌমীশিংবু হাৎপা অমসুং মীয়ামগী চেঙ মৎতুনা ৱাৎনা পীবা বি জে পিগী লৈঙাক মণিপুরদা অমুক হল্লক্তনবা, অনৌবা মণিপুর অমগীদমক ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেসতা ভোট পীবিয়ু হায়না ককচিং এ সীদা আই এন সী মীরেপ ওইনবগীদমক থৌরাংলিবা কেএসঐচ কেন্নেদিনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেসনা থা অসিগী ১৪দগী ২৯ ফাওবদা লৈবাক শিনবা থুংনা বি জে পি লৈঙাক্কী মায়োক্তা চথুগদবা ‘জন জ র্গন অভিয়ান’ গী শরুক অমা ওইনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটি অমসুং ককচিং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী মখাদা ষ্টীয়ারিং কম্মিটি, কেএসঐচ কেন্নেদি, ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৩৭-ককচিং এ সীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা কেএসঐচ কেন্নেদিনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, নরেন্দ্র মোদি অমদি বিরেননা লুচিংলিবা সেন্টর অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিনা মীচম মীয়ামদা অৱাবা, খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। এ আই সী সী অমদি এম পি সী সীগী মখাদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী চহী খরা অসিদা পেট্রোলগী মমল অসি লুপা ৪৮.৩৮ অদুগা দীজল মমলনা লুপা ৩৮.৪৮ হেনগৎখিবা, কোভিদকী য়াম্না মীপাইনিংঙাই ওইরবা মতম অসিদা হীদাক-লাংথক্কী মমল অসি চাদা ১০গী মথক্তা হেনগৎখিবা অসি ঐখোয় মীচম মীয়াম মুন্না খঙহমিন্নবা চঙই। আই এন সীনা হেন্না নুংঙাইজ দবদি হন্দক চহী অসিদা বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিনা লৌরিবা টেক্স অসিনা খ্বাইদগী য়াম্না লৌরগা মীয়ামদনা খ্বাইদগী য়াম্না পীথোকপা ৱাৎপা লৈঙাক অসি মীকপ থোকহনবগী মতম ওইরে। অসিগুম্বা লৈঙাক অসি মীয়াম্না ইন্দিয়াগী অমদি মণিপুরগী লৈমায়দগী মরূ ফূক্না লংথোকখ্রসি ফোঙদোকখি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ঈ মংলেমনা ফোঙদোরকপদা, বি জে পিগী লৈঙাক অসিগী মমাঙদা লৈরম্বা কোংগ্রেসকী লৈঙাক্কী মতমদা লৈরম্বা চাক থোংনবা গ্যাসকী মমল লুপা ৪৩০দা লৈরম্বা অদু ঙসিদি বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা লুপা ১০০০গী মথক্তা লাকহনখ্রে। পি এম মোদিনা উজৱালা স্কিমনি হায়দুনা চাক থোংনবা গ্যাস ষ্টোভ অমদি সিলিন্দর অমমম পীরগা মদুগী মখা তাবা অদুনা গ্যাস হানবদা লুপা ১০০০গী মথক্তা লৌদুনা মীচম মীয়াম্বু মতেং পাংলিবনি হায়দুনা মীয়াম্বু মীনম্বীবা কয়া অসিগী মায়োক্তা ঐখোয় অপূনবা খোঙজং অমা চঙশিনমিন্নবগী পান্দমদা জন জগ্রন অভিয়ানগী থৌরম অসি চঙশিল্লিবনি।

অসিগুম্বা মীয়ামগী খন্দবা বি জে পিগী লৈঙাক অসি চপ চাবা পারা অমা তম্বীনবগীদমক কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী মীখল অমদি কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীখল অসিদা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াদা অমুক হন্না বি জে পিগী লৈঙাক লাক্তনবা মীচম মীয়ামগা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম্নি ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি লৈঙাক মুখৎলসি, পোৎ চৈগী মমল হেনগৎপা য়ানীংদে, বি জে পি দাওন দাওন, আই এন সীদা ভোট পীরসি হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়াসু লাউখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমসু চৎখি। ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী মরু ওইবা থৌপুবশিং অমদি কোংগ্রেসপু শৌগৎপা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## সী আই কোলেজ লম্বী এন জয়কুমারনা ব্লেক টৌপিং তৌখ্রে



ইম্ফাল, নভেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):

চহী কয়া ব্লেক টৌপিং তৌবীদনা লৈরক্লবা বিষ্ণুপুরদা লৈবা সী আই কোলেজগী লম্বী ঙসি বিষ্ণুপুর এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট নিংথৌজম জয়কুমার অমদি মহাক্কী টিমনা ব্লেক টৌপিং তৌদুনা শেমজিনখ্রে।

চহী কয়া শেমজিনবীদনা লাক্লবা লম্বী অসি লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা বিষ্ণুপুর এ সীগী বি জে পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা নিংথৌজম জয়কুমারনা সী আই কোলেজ গী লম্বীবু ব্লেক টৌপিং তৌবীদুনা শেমজিন-শাজিনবগী থবক পায়খৎ-পীরকপগীদমক বিষ্ণুপুরগী ৱার্দ নম্বর-৪, ৮ অমদি নমগাইজাং ভিলেজগী মীয়াম্না হরাও নুংঙাইবসু ফোঙদোরকখি।

সী আই কোলেজগী লম্বী শেমজিনখিবা অসি টিম জয়কুমারনা লৌখৎলকপা এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না শেমগৎলকপনি। অসিগুম্বা মহাক্না মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিংবু কোক্লনবা হোৎনবীরকপা অসি উবদা এ সী অসিগী মীয়াম্না মহাকপু শৌগৎপগী চাং নোংমা নোংমগী মশিং হেনগৎলক্লি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা এন জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি ঙসিমকসু এ সী অসিদা এদ্যুকেসন, হেল্থ অমদি লম্বী-থোংগী ফিভম য়াম্না ফত্তনা লৈরি। মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহন্নবগী পান্দমদা লেপ্পা লৈতনা চথুরকখিবা থবকশিংগী মনুং চন্না ঙসি সী আই কোলেজ গী লম্বী অসি ব্লেক টৌপিং থাদুনা শেমজিনখিবনি। অসিগুম্বা শেমজিন শাজিনবা থবক অসি মখা চথখিগনি হায়খি।

## দি এম ও লৈরমদবা অসিদা মরী লৈনবশিংদা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎনবা খঙহল্লগনি: য়ু সী এম

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):

মোরেদা পাক-শন্না শন্দোরক্লিবা দেঙ্গি লাইচৎ অসিগী মতাংদা য়ু সী এমগী কাঙবু অমনা স্পেসল মেলরিয়া য়ুনিটকী ষ্টাফশিংগা উনদুনা অৱাৎ-অপা লৈরিবা কয়াগী মতাংদা ৱা খন্নখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মেলরিয়া ওফিসর (দি এম ও) লৈরমদবা অসিদা মরী লৈনবশিংদা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎনবা খঙহল্লগনি হায়না য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জোয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী ওক্টোবর লোইরমদাইদা মোরেদা মীওই খরা দেঙ্গি পোজিটিভ কেস থেংনরকখিবা অসিদা মখা তানা মোরেগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা দেঙ্গি পোজিটিভ কেস ওইবা মীওই কয়া অমা য়াওরকখিবা অসিদা মোরে টাওনদা ঙরাং ফাওবদা দেঙ্গি পোজিটিভ ওইবা মীওই ৮৯ শুখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না ঙসি মোরে হোস্পিটালদা লাক্তুনা হোস্পিটাল অসিদা লৈরিবা স্পেসল মেলরিয়া য়ুনিটশিংগী ষ্টাফশিংগা উনদুনা দেঙ্গি লাইচৎ অসিগী মতাংদা ৱারী শানদুনা অৱাৎ-অপাশিংগী মতাংদা ৱাফমশিং হংখি। লোয়ননা দেঙ্গীগী লুরবা তানফম অসিদা মোরেদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়াম্না মরু ওইবা ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট মেলরিয়া ওফিসর (দি এম ও) ষ্টেসন তৌদুনা লৈরমদবা অসিদা পেন্দবা ৱাফমশিং থম্বগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লগনি হায়খি।

এম্বুলেন্স ৱাৎলিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মথৌ তাবা মচাকশিং অসিবু অথুবা মতমদা মেদিকেল দিরেক্টরনা য়েংশিনবীদুনা মফম মফমশিংদা চৎতুনা পব্লিক এৱ্যেরনেস তৌবা, মোবাইল টেষ্টিং চথবা কাংখল য়েন্থোকপনচিংবা য়াওনা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎপীনবা হায়খি। অমদি মেদিকেল দিরেক্টরনা মেলরিয়া দিপার্টমেন্ট অসিদা তৌফম থোকপা থবক থৌরমশিং তৌনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা একাওন্টতা শেন্থং থাদরক্তে হায়দুনা মশা মশাগী পোকেটতগী শেনফম পুথোক্লগা তৌবা মরম্না থবক মপূং ফানা তৌবা ঙমদবনি হায়বা ৱাফম অসি লৈবাক মচা তাদবা ৱাফম্নি। মসিদা দেঙ্গি লাইচৎ অসিনা মীশি-মীনা থোক্লকপা মতমদা মদুগী তেকচাক দিরেক্টরনা পুগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২৬ (ঐচএনএস):

ইবুধৌ পাখংবদা হৈ-লৈ কৎতুনা ঈং-তপ্পা চাওখৎপা লমদম অমা ওইনবগী পান্দমদা থৌনি-থৌরম অমা ঙসি হৈরোক এ সীগী মনুং চনবা নোংপোক সেকমাইদা লৈবা য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) হেদক্বার্টর নম্বর-১গী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা এম ওকেন্দ্রোনা হায়, লৈখিদ্রবা আর কে মনিসনানা লমতাকপীরম্বা অমদি পামজরম্বশিং অদু মচা-মনাও ঐখোয়না মখা তানা খোঙ্গুল লীদুনা ঈং-তপ্পা, মরা চেৎপা মণিপুর অমা ওইনবা ঙসিগী মীফম্না লেপ্পদুনা হেন্না ফবা সনালৈবাক অমা ওইনবা হোৎনমিন্নসি।

থৌরমগা মরী লৈননা হৈরোক এ সীগী কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদৌরিবা ওকেন্দ্রোবু লাক্লিবা ইলেক্সন অসিদা ভোট কাননবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

HL-P/0756/26,27

## ꯅꯧꯕ / JOB RECRUITMENT

WE ARE LOOKING FOR BELOW POSTS ON URGENT BASIS.

| Name of the Post | Qualification | No of vacancy | Date of Interview | Pay scale |
|---|---|---|---|---|
| AO-Executive | XII and above | 15 | 29th & 30th Nov 2021 | Rs 12,000 & above. |
| BDMs | Graduate | 10 | 29th & 30th Nov 2021 | Rs 20,000 & above |

N.B: Candidate should come with formal dress along with well type resume and two passport photo during 10 am to 4pm.

*Plz contact:* HR DEPT,ONLINE SHARE TRADING ACADEMY (OSTA), 3RD FLOOR, GAMBHIR SHOPPING ARCADE, B.T.ROAD, IMPHAL-795001

# ICM

(Institute of Cooperative Management)
Ministry of Cooperation, Government of India
Cooperative Complex, Lamphelpat, Imphal, Manipur

# ADMISSION OPEN

Session : 2021 - 2022

# PGDCA

(Post Graduate Diploma in Computer Application)

*Affiliated to* ***MANIPUR UNIVERSITY, CANCHIPUR***

**Facilities:**
1. Hostel Facilities
2. Hi-tech Enable Campus
3. Well furnished Air Conditioned Library & Reading Room
4. Noise Free Academic Environment
5. Free Medical Consultant
6. Air Conditioned Computer Lab.

*Prospectus/Form available during office hours in working days.

Email : icmimphal2013@rediffmail.com
www.icmimphal.org
*Contact No.:* 03852414526

Sd/-
(K. Joychandra Singh)
Director
*ICM, IMPHAL*

HL-P/0718/27

## / DUKAN অমা শাঞ্জরি

Kwakeithel Out Post মনাক্তা দুকান অমা শাঞ্জরি। পাম্বীবশিংনা Contact No.- 8415990420 অসিদা ফোন তৌবীরকউ।

HL-P/0754/26,27

**/অমাংথোঙ মপান্দা মফম অনী থোক্লা চেখায়বা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা, মোরোক চাবা য়াদবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা তাঙমুক শাংনা শৌজ নান্থরকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না শাবা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা মফম অনী চেখায়বা, চেখায়বা অদু ওইশিল্লু শুকয়া য়াদবা, ওইশিন্নবা হীদাক শীজিন্নরবসু খোঙ হাম্বা মতমদা য়াম্না কন্না শংবা য়াদবা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা অদুনা করিগুম্বা খোঙ অকনবা চাওনা হাম্লকপা মতমদা চেখায়বা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা অমদি তৎলগা ঈ থোক্লকপা, খোঙ অকনবা হামদ্রিমখৈ ফবা, অমাংথোঙ চেখায়বা অদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি খূবাক অসি ঈ য়াওদবগুম্না ঙৌখৎলকপা, শা-ঙা, থাউ চাবা য়াদবা, চারগনা ঈ তাবা হেনবা, চীঞ্জাক কন্ট্রোল তৌরিবমখৈ হকচাংদা নুংঙাইবা হেনবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, মতম খরা লৈরগা অমা অমুক পোমথোরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা অদু অনী শুজিল্লকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী তাঙমুক শাংনা শৌজ নান্থরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবী :* **H. Kalpana Devi**
Nambol Bazar

HL-B/7295/27

## / য়ূমগা কোন্নবা ইংখোল অমা য়োঞ্জরি

সঙাই এক্সপ্রেসকা থংনবা খোংবাল ৱাংমদা 48 ft পাকপা অমদি 78 ft শাংবা লম অসি অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

**Note : NO BROKER.**

HL-P/0733/25,27,29 **# 9774762438**

## / ORIGINAL MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet bearing Roll No. 30394 of HSLC Examination of 2013 issued by BOSEM on the way between Khongman and Singjamei on 15th Nov. 2021.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Seram Dhanabati Chanu**
Khongman Zone-IV West
Contact No. 9774770971

HL-P/9569/27

## / নুংঙাইবা ফোঙপীপনে



সুধাকর (শামু)

ঐগী নুপাগী Kidney দকো নুঙ লৈপীপনে অদুদা সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই. মনাক ইম্ফালদা লৈপীপা ওজা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্ডী (মেডিসিন) গী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকর হার্বেল ফিজিসিয়ান স্পিসিএলাইজ ইন য়ুরিনরী ষ্টোননা লায়েংপীবনে অদুদগী তাং ২৩-০৮-২১ দগী লায়েংপনা তাং ২১-১১-২১ দা নুংদু তাহনপীখ্রে। মদুদা ঐনা য়াম হরাওপীপনে খবরদসু ফোঙপীপনে। সুধাকরবু ঈশ্বরনা চানপীপা ওইহন্নীংপনে।

Sd/- **Mathiuliu Kamei**
Noney, Luangchum

HL-P/0757/27,28,29

## / WALLET অমা খুল্লে

Wallet অমা Date 25-11-2021 দা খুল্লে। Wallet অদুদা য়াওরম্বা Document কী মতুং ইন্না Wahengbam Kapil Singh, C/o Wahengbam Rajen Singh, Ghari Awang Leikai হায়না ইরম্মী। মপুনা মতিক চাবা প্রমাণ পীবিরগা Wallet অসি লৌবীরবা য়াগনি।

Sd/- **Mayengbam Dayananda Singh**
**# 7005851073**

HL-P/0760/27

## SAWOMBUNG I.C.D.S. PROJECT MEMBER শিংদা খঙহঞ্জবা

Sawombung I.C.D.S. Project কী Manipur Anganwadi Mahila Organisation গী General Secretary না খঙহঞ্জরি মরমদি M.A.M.O. State Body গী Circular মতুং ইন্না December 1 দা Executive Meeting অমা Sawombung Community Hall দা অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা ফমজগনি। Meeting গী Agenda না State না পীবীরকপা Agenda দু ওইগনি। Sawombung I.C.D.S. Project কী M.A.M.O. Unit কী মায়কৈদগী Manipur Government অমসুং Hon'ble Chief Minister বু Anganwadi Worker/ Helper গী মায়কৈদগী State Share হাপ্পীরকপগীদমক ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

অদোমগী : **Kh. Rebika Devi**
General Secretary,
Sawombung I.C.D.S. Project

HL-P/0759/27

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

## / NOTICE FOR OBJECTION

Imphal, the 26th November, 2021

No. Prop/SR/IW/2021: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "Singjamei Welfare Women Wing" address as Singjamei Thongam Leikai Land 1, Imphal West on 25-11-2021 for registrtation under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Singjamei A/C".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/ Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/ registration of propose soeicty/Oranisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules of 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

**(Further you can contact 9089297211 for any objection/ quarry)**

Sd/- **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/0758/27

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।